# ১৭শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুনামেন্ট ২০১৭
## ইম্ফাল ইষ্টনা বিষ্ণুপুরবু গোল ১২–০দা মায়থিবা পিখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ৭ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী নুপী মচাগী টিম ৩না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৩ ফাওবা চখগদবা ১৭শুবা সব–জুনিয়ার ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিদগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা লীগ মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুর (দি এস এ–বিপিআর)বু গোল ১২–দা য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পিখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা আই ই দি এফ এগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ৮ অমদি ৪৩শুবা মিনটতা সুলতানা গোল ২, ১০ অমদি ২৮শুবা মিনটতা ৱাই থাইলেন্দনা গোল ২, ১৬শুবা মিনটতা এন গিতানজলিনা গোল ১, ২২শুবা মিনটতা ও লমঙানবীনা গোল ১, ৩৮, ৩৯, ৪০ অমদি ৫২শুবা মিনটতা এম প্রোমিলানা গোল ৪, ৬০শুবা মিনটতা ভুং লোচিংনা গোল ১ অমদি ৬১শুবা মিনটতা সহিনা সৈখনা গোল ১গা চনখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (আমফা)গী এসিষ্টেন্স সেক্রেটরি জয়তিমো রোইনা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখরকপা ওইনা থা অসিগী ৯দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগা লম্বা তৌনরগনি।



# পাকিষ্টানগা শান্নবা ৭শুবা আই সি সি গী গ্রুপ বিগী মেটচতা
## সাউথ অফ্রিকানা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২১৯ লৌখ্রে

*বিরমিংঘম, জুন ৭ঃ*

আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি বিরমিংঘমদা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইখিবা সাউথ অফ্রিকা অমসুং পাকিষ্টানগা লম্বা তৌনবা গ্রুপ বি গী মেটচতা সাউথ অফ্রিকানা ওভর ৫০দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২১৯ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি মেটচ অদুগী তোচ সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। ওপন্নর ক্বিন্তোন দি কোক অমসুং অসিম অম্লানা ইন্নিংস হৌরকপদা রন ৪০ হাপচিনবা ঙমখি।

ওভর ৯ শুরকপা অসিম অম্লা পাকিষ্টানকী বোল্লর ইমাদ ৱাশিম্না রন ১৬তা আউত তাহনখি। ফাপ দু প্লেসিসনা নৌনা শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কী ক্বিন্তোন্না ইন্নিংস অদু রন ৬০ ফাওবা য়ৌহল্লকখি।

১৪শুবা ওভরদা ক্বিন্তোন বোল ৪৯দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৩দা আউত ওইখি। কেপ্টেন এবি দি বিলেস চঙলকপগা অহানবা বোলদা ৱাশিম্না আউত তাহনখি। মহাক্কী মতুং দেবিদ মিল্লর শান্নবা চঙলকখি।

প্লেসিস রন ২৬তা আউত ওইখি। নৌনা চঙলকপা জে পি দুমিনি রন ৮দা আউত ওইখ্রবা মতুং ৭শুবা বেটচমেন ৱেন পরনেল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউত ওইখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ৮শুবা বেটচমেন খৃষ্ট বোরিস রন ২৮দা আউত ওইখি। মহাক্কী মতুং শিনখিবা কাগিসো রবাদাসু রন ২৬তা আউত ওইদুনা লৈখিবদগী দেবিদ মিল্লরনা সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু আউত ওইদনা বোল ১০৪দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ১ য়ৈরলগা রন ৭৫ লৌদুনা লৈখি। ওভর ৫০ লোইশিল্লকপা সাউথ অফ্রিকাগী ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২১৯ লৌখি।



*পাকিষ্টানগী মায়োক্তা আউত ওইদনা বোল ১০৪ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১ য়ৈদুনা রন ৭৫ লৌখিবা দেবিদ মিল্লর*

পাকিষ্টানগী মাইকৈদগী হসল আলিনা ওভর ৮ লংদবা শুপ্নগী রন ২৪ খক পীরগা ৱিকেট ৩ আউত তাহন্দনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

| Group A | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Team | M | W | L | N/R | Tied | Points | NRR |
| England (Q) | 2 | 2 | 0 | 0 | 0 | 4 | +1.06 |
| Australia | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -0.00 |
| Bangladesh | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 | -0.40 |
| New Zealand | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 | -1.74 |

| Group B | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Team | M | W | L | Tied | N/R | Points | NRR |
| India | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +3.02 |
| South Africa | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +1.92 |
| Sri Lanka | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -1.92 |
| Pakistan | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -3.02 |

পাকিষ্টান্না মেটচ মায় পাক্না রন ২২০ লৌনবা হোৎনরকপা টিম অদুগী ওপন্নর ফাখর জমান য়াম্না থুবা মওংদা বোল ২২ মায়োক্লবদা সিক্স ১গা ফোর ৬ য়ৈদুনা রন ৩৩ লৌদুনা লৈরিঙৈ সাউথ অফ্রিকাগী মোরনি মোরকেলনা আউত তাহন্দুনা ৮শুবা ওভরদা পাকিষ্টানগী অহানবা ৱিকেট অপুন্বা স্কোর ৪২দা তুখি।

অতোপ্পা ওপন্নর অজৎ আলি মোরকেলনা ওভর অদুমক্তা রন ৯দা আউত তাহন্দুনা পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদু রন ৪৩ খক লৌরিঙৈদা বেটচমেন ২ তুখি।

অহুমশুবা বেটচমেন বাবর অজম অমসুং ৪শুবা বেটচমেন মোহমদ হফিস্না ইন্নিংস অদু মখা তানা পুখৎলক্তুনা ২৩শুবা ওভর ফাওবা শান্নদুনা রন ৫২ হাপচিল্লগা অপুন্বা স্কোর অদু ৯৫দা হফিস রন ২৬তা মোরকেলনা আউত তাহন্দুনা পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদু বেটচমেন অহুম তুরগা রন ৯৫ লৌখি। সোয়েব মালিক শান্নবা চঙলকপগী খোংজেল য়াংনা রন লৌবা হৌখি। ২৭শুবা ওভর লোইশিল্লকপা মালিক আউত ওইদনা বোল ১৪দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৬ অদুগা বাবরদা বোল ৫১দা রন ৩১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোং তারকপা মরম্না অথেংবদা ফঙবা পাউদা শান্নবা য়াদনা লৈখি।

# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা ধ্যান
## চান্দবু ভারত রত্না এৱার্দ পীনবা চেরোল পীশিনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ৭ঃ*

ইন্দিয়াগী সিভিলিয়ান এৱার্দতা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ভারত রত্নাগী এৱার্দ অদু লৈবাক অসিগী হোক্কিগী লমদা তমজনফম ওইরিবা লৈখিদ্রবা ধ্যান চান্দদা পীবিনবা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মাইকৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা চেরোল পীশিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা বিজয় গিওলনা লৈবাক অসিগী সর্টিফাই তৌরবা পাউগী এজেন্সি অমা ওইরিবা পি টি আই (প্রেস ট্রস ওফ ইন্দিয়া)দা ৱারি শান্নবা অমদা ধ্যান চান্দবু ভরত রতনা পীবিনবা হায়খিবা ৱারোল অদু অচুম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গিওলনা মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী হোক্কিগী পুৱারি য়েংখৎলুবদা ধ্যান চান্দগুম্বা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংনা তমজনফম ওইগদৌরিবা মীওই অসিনা লৈখিদ্রবা লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ানদা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা ভারত রত্না অসি পীফম থোকই হায়বগী ৱাফম থমখি।

ধ্যান চান্দগী পুৱারী য়েংখৎলুবদা মহাক্না ইন্দিয়াগী মরুওইবা হোক্কি শান্নরোই অমা ওইদুনা কুমজা ১৯২৮, ১৯৩২ অমসুং ১৯৩৬কী ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল অহুমলক লৌখিবা অদুদা ধ্যান চান্দনা য়াম্না চাওরবা থৌদাং লৌখি হায়রি।




কুমজা ২০১৩দা ইন্দিয়াগী য়ু পি এ লৈঙাক্না ভারত রত্না মনা অদু ক্রিকেটকী শান্নরোই সচিল টেন্দুলকর অমসুং ধ্যান চান্দদা পীননবা খনগৎপগী চেরোলদা য়াওখিবনি। অদুবু থংনবা চহিদা মনা অদু ধ্যান চান্দদা পীবগী মহুৎতা সচিন টেন্দুকরদা পীখিবনি।

চহি অদুদা টেন্দুলকরনা ইন্দিয়াগী ভারত রত্না এৱার্দ পীবগী পুৱারিদা অহানবা শান্নরোই অমা ওইনা মনা অদু ফঙখিবনি।

কুমজা ১৯৭৯দা লৈখিদ্রবা ধ্যান চান্দনা ভারত রত্না এৱার্দ অদু শান্নরোইশিংগী ওইনা পীবদা টেন্দুলকরদগী মাংওইননা পীফম থোক্তবরা হায়না পাউমীশিংনা হংবদা হৌজিক হৌজিক স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা বিজয় গিওলনা ৱাফম অদুগী মতাংদা মখা তানা পাউখুম পীরমখিদে।

বিয়জ গিওলনা পি টি আই উনবা অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মাইকৈদগী ওইনা ধ্যান চান্দনা ইন্দিয়াগী হৌক্কিদমক্তা শেমগৎলম্বা লম্বেল অদু চাংদম্নবা য়ারোইদবা লম্বেলনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা ভারত রত্না এৱার্দ ফঙদবা মীওই অদুগী মমিং মথা অরোইবা মীৎকুপ্তা পীথোরকপা মরমনা ধ্যান চান্দগী মমিং য়াওবা নত্রগা য়াওদবা অদু মহাক্কী মাইকৈদগীদি উপায় লৈখিদে হায়রি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা হিরম অসিগা মরী লৈননা পীখিবা পাউদমদা লৈখিদ্রবা হোক্কি শান্নরোই ধ্যান চান্দনা ভারত রত্না এৱার্দ অদু ফঙখিবা ক্রিকেট শান্নরোই সচিন টেন্দুলকরগী মাংওইননা ধিয়ান চান্দদা পীফম থোক্তবরা হায়বগী ৱাফম ফোংদোক্নরকখিবা অদু অচুম্বনি হায়না গিওলনা ফোংদোকখি।

পনবা য়াই ধ্যান চান্দগী মচানুপা অশোকুমার অমদি অতোপ্পা হৌক্কি শান্নরোই কয়ানা চহি কয়াগী মমাংদগী ভরত রত্না মনা অদু ধ্যান চান্দনা পীবিনা

# কিরগিস রিপব্লিক্কা শান্নগদবা এসিয়ান ক্বালিফাইয়রদা
## ইন্দিয়াগী টিম্না অচৌবা মীৎয়েং থম্লি

*মুম্বাই, জুন ৭ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না ইন্টরনেসনেল ফেনলি মেটচ ৭ থংন–থংননা মায় পাক্লবা মতুং থা অসিগী ১৩দা বেঙ্গালুরুদা শান্নগদবা ২০১৯ এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা মেটচতা কিরগিস রিপব্লিক্কা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুদা টিম অসিনা অচৌবা মীৎয়েং থম্লি।

পনবা য়াই ঙরাং ইন্দিয়ানা নেপালগা শান্নখিবা ফেনলি ফুটবোল মেটচ অমদা য়াম্না কোম্না ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২–০দা মায় পাক্তুনা মমাংদা শান্নখিবা অতোপ্পা ফ্রেন্দলি মেটচ ৬ অদুগী মখা তাবা ওইনা ৭লক শুবা মেটচ মায় পাক্তুনা ফিভম ফনা লৈরবসু টিম অসিগী ওইনা কিরগিস রিপব্লিক্কা শান্নগদৌরিবা ২০১৯ এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়িং মেটচ অদুগীদমক্তা কন্না হোৎননবা পুক্নিং ৱাখল চঙশিনবা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমদা য়াম্না তোইনা পাঞ্জল চনবা ওল্লিবা শান্নরোই অমা ওইরিবা সন্দেস জিঙ্গান্না ঙরাং ইন্দিয়ানা নেপালবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীবা লোইরবা মতুং ফোংদোরকখিবা মহাক্কী মাইকৈদগী ইন্দিয়াগী টিম অসিবু হিরম খুদিংমক্তা মতেং পাংবদা মহাক্কী মাইকৈদগী শুকথাবা লৈতে হায়না ফোংদোকখি।



সন্দেসনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা ঙরাং ইন্দিয়ানা নেপালবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদু ইন্দিয়া টিমগী খ্বাইদগী মরুওইবা মেটচ অমা ওইখি।

মরমদি মায় পাকপগী ইন্দিয়ানা জুন ১৩দা কিরগিস রিপব্লিক্কা থেংনগদৌরিবা য়াম্না মরুওইবা এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা রাউন্দ অদুগী মাংওইননা মেটচ অমা মায় পাকপা হায়বসি য়াম্না মরুওই।

মায় পাকপা অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা চাওনা থাজবগী পাঙ্গল পীদুনা কিরগিস রিপব্লিক্কা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুদা শান্নরোইশিংগী মরক্তা চাওনা থাজবা অমা পীদুনা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অদু মায় পাক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈরি।

# প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর
## লোভিনা বোর্গোহেন মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি

*আষ্টনা, জুন ৭ ঃ*

কজাকস্থানগী সিটি আষ্টনাদা চখরিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী লোভিনা বোর্গোহেন সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

কজাকস্থানগী সিটি আষ্টনাদা পাঙথোক্লিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী বোক্সর পুন্না ১৫০ রোম্না লম্বা তৌনখিবনি।



ইন্দিয়াগী বোক্সর লোভিনা বোর্গোহেন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারকখিবদা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউট অমদা য়ুম্বু লৈবাক কজাকস্থানগী বোক্সর ইসাগুলোভাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর সিৱি বুরানা কেজি ৬০ গী কেটেগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা কজাকস্থানগী বোক্সর ভোলোসেঙ্কোগী মখুত্তা মায়থিহৌবদগী মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। অমরোমদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৮১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারকখিবা দেবান্সু জাইসৱালসু য়ুম্বু লৈবাক কজাকস্থানগী বোক্সর নুর্মাগাবেটোভকী মখুত্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেজি ৯১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা গৌরব চৌহান ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা কজাকস্থানগী বোক্সর ইর্কিনগী মখুত্তা মায়থিহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর দিপক সিংহ (কেজি ৫২) অমদি পর্বিন কুমার মখোয়–মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী বাউটশিংদা মায়থিদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী লৈহৌখি।

# জেনেরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ৭ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসনগী এন্যুয়েল জেনেরেল বোদি মীটিং থা অসিগী ২৪গী পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি হিজম তিকেন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

রিপোর্ট ওফ সেক্রেটরি, এদোপসন ওফ একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদি এলেক্সন ওফ ন্যু মেনেজিং কম্মিটি হায়বা এজেন্দাদা খন্নগদবা মীফম অসিদা মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপিদুনা শরুক য়াবীসু হায়নসু চেরোল অদুনা মখাতানা খঙহল্লক্লি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*